**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 29-03-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) কেন্দ্রগী সিভিল এভিএসন মন্ত্রি রাম মোহন নাইদুনা ঙসি ইম্ফাল ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টতা আবসার, দিজি যাত্রা, হাই স্পিদ ৱাই ফাই, ফাইব্রেরি, কিদস জোননচিংবা হাংদোকখ্রে।

২) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা সভাপতি ওইদুনা বি.জে.পি এম.এল.এশিংগী ওইবা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

৩) ইন্দিয়ান মেট বিভাগনা অৱাং নোংপোক্কী রাজ্য খরদা লেন অমদি অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়না ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকখ্রে।

৪) ভগবান মহাবিরগী মপোক কুমওন মহাবির জয়েন্তি হয়েং পাঙথোক্কনি। মুখ্য মন্ত্রিনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা তোকঙা থাজবীদনবা অমদি সরকারনা পীরিবা পাউশিংদা থাজবা থম্বীনবা মীয়ামদা আপীল তৌরি।

**------**

এয়ারপোর্ট (এল)ঃ কেন্দ্রগী সিভিল এভিএসন মন্ত্রি রাম মোহন নাইদুনা ঙসি ইম্ফাল ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টতা আবসার, দিজি যাত্রা, হাই স্পিদ ৱাই ফাই, ফ্লাইব্রেরি, কিদস জোন অমসুং সি.আই.এস.এফ কার্ন্টিন ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুখাংদা হাংদোকখ্রে।

ইম্ফাল এয়ারপোর্টতা পাওথোকপা থৌরমদা এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেতরি (ত্রান্সপোর্ট) অনুরাগ ভাজপায়, ত্রান্সপোর্ট দাইরেক্তর খুমন্থেম দাইনা, এয়ারপোর্ট দাইরেক্তর অমদি মাগী কাংবু, চীফ এয়ারপোর্ট সেক্যুরিতি ওফিসার অমদি এয়ালাইন ওপরেতরশিংগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

রাজকোট ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টতগী কেন্দ্র সিভিল এভিএসন মন্ত্রিনা হাংদোকখিবা থৌরাংশিং অসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা এয়ারপোর্টপু মতমগা চুননা, পেসেঞ্জরশিংদা হেন্না খুদোংচাহন্নবগী শরুক অমনি। ঙসি হৌদোকখিবা থৌরাংশিং অসি ইম্ফাল ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টকী ওইনা খোঙথাং অমনি। মসিনা এরোপ্লেন তোংদুনা চৎলিবা মীয়ামদা মতমগা চুনবা খুদোংচাবশিং ফংহনবা ঙম্লগনি। এয়ারপোর্ট এস ভেন্যু ফোর স্কিল আর্টিসান্স ওফ দ রিজন (আবসার)না সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং অমদি রাজ্য অসিগী আর্টিসানশিংনা পুথোকপা লমদম অসিগী ওইবা পোত্থোকশিং এয়ারপোর্টকী মনুংদা ফংহনবগী খুদোংচাবা অদু পীরি। থৌরাং অসিগী মরুওইবা পান্দমদি খুঙ্গংগী জাতি কাংলুপশিং, মরুওইনা  নুপীশিংগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্দুনা রাজ্য অসিগী ইনাক খুল্লবা কলচরেল হেরিতেজ য়োকৎনবনি।

সিএম (এল)ঃ   মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা সভাপতি ওইদুনা বি.জে.পি এম.এল.এশিংগী ওইবা অৰাংবা থাক্কী মীফম অমা ঙসি মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেতরিয়েটতা পাওথোকখ্রে। মীফম অসি পাওথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক সাসন হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বা থবক্তা ওন্থোকবনি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা পোষ্ট অমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়- মীফম অদুদা রাজ্য অসিদা পায়খৎলবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিং অমদি লৈঙাক সাসনগী কান্নবশিং সমাজ অসিগী মীপুম খুদিংমক্তা ফংহন্নবা ৱাফমশিং খন্নখি। মসিদা নত্তনা লমদম অসিদা অমত্তা ওইবা, শান্তি অমদি পুন্না চাওখৎহন্দুনা মণিপুরগী হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা শিংনবা খুদিংমক মায়োকবা হায়না ৱারেপখি।

অমরোমদা, ওলিম্পিয়ান অমসুং শকাইরবী ৱেথলিফতর শাইখোম মিরাবাই চনুনা ঙসি মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগী মহাক্কী সেক্রেতরিয়েটতা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা মহাক্কী শান্ন-খোৎনবগী লম্বীদা রাজ্য সরকারনা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা পীখি। মহাক্কুন্বী শকাইরবী শান্নরোই অমগী পুন্সি লম্বীদা দাইত্ব লৌবা হায়বসি সরকার অসিগী তঙাইফদবা থবম ওইবতা নত্তনা তুংদা হৌরক্লিবা নহাশিংদা পুকিং থৌগৎকনি। শাইখোম মিরাবাই চনুনা ৱেথলিফতিং মশান্নদা লৌরিবা থৌদাং অসি মণিপুরগী ওইনা চাউথোকচনিঙাইনি।

রাজ্যপাল (এল)ঃ রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা ঙসি ইম্ফাল পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতিগী ওদিতোরিয়মদা মনিপুরি ফিচর ফিল্ম ‘তম্ফামণি-স্তোরি ওফ এ রিয়েল মেন’ রিলিজ তৌবগী থৌরমদা শরুক য়াখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপালনা হায়- ফিলম অসি লাম্মীশিংদা মখোয়গী কৎথোকপা, থৌনা অমসুং মরৈবাক নীংবগীদমক পীবা সরদ্ধাঞ্জলি অমা ওইবতা নত্তনা ইনাক খুল্লবা সংস্কৃতিগী মচাক অমসুং রাজ্য অসিগী ক্রিয়েতিভকী লমদা থোইদোক হেন্দোকপা হৈ শিংবা অদুবু উৎলিবা ফিলম অমনি।

মদুগী মমাংদা রাজ্যপালনা ফিলম অদুদা শরুক য়াখিবশিংদা খুদোলপোৎনচিংবা পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

অনোইশাং উরমিকা নাট্যাসালানা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা বিধান সভা সদস্য খুমুকচম জোয়কিসন সিংহ, মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ওফ কলচরগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার পাউনম গুনিন্দ্রো সিংহ, থবক্তগী পোত্থারবা লেফটনেন্ট জেনেরেল কে.ঐচ. সিংহ অমসুং এল.এন. সিংহ অমদি মেজর জেনেরেল গৌরব শর্ম্মসু শরুক য়াখি।

নোং (এল)ঃ ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্ট রিজনেল সেন্তর ইম্ফালনা হায়রি- রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা হয়েং অমসুং হংচিৎ পুংদা কিলোমিতর ৩০ দগী ৪০ ফাওবগী চাংদা কন্না শিৎপা নুংশিৎকা লোয়ননা নোং কন্না চুগনি হায়না মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি।

অমরোমদা, লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমি অসিদা অৱাং নোংপোক রাজ্যগী মফম কয়াদা অখাক অরাউ অমদি নুংশিৎ য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াই। ইন্দিয়া মেট বিভাগনা অৱাং নোংপোক্কী রাজ্য খরদা লেন অমদি অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়না ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকখ্রে।

বিভাগ অসিনা হায়- জম্মু কাশ্মীর, লদাখ, হরিয়ানা, চান্দিগর, দিল্লি, হিমাচল প্রদেশ, পঞ্জাব অমসুং নোংচুপ থংবা রাজস্থানদসু ঙসি অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়না ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকখ্রে। লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমি অসিদা অন্দ্র প্রদেশ, উত্তর প্রদেশ, ঝারখন্দ অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলগী মফম কয়াদা অখাক অরাউগা লোয়ননা নংশিং শিৎকনি অমসুং নোং চুগনি।

মহাবির (এল)ঃ চহি লিশিং ২,৬২৫ শুবা মহাবির জয়েন্তি হয়েং পাঙথোক্লগনি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা জৈন বিকাশ মন্দলনা শিন্দুনা ইম্ফালদা মহাবির জয়েন্তি রথ যাত্রা পাঙথোক্কনি। রথ যাত্রা অসি শ্রীদিগম্বর জৈন মন্দির পাউনা বজারদগী অয়ুক পুং ৮ মখায়দা হৌরগা ইমা কৈথেল, থঙ্গাল বজার, এম.জি. এভিন্যু, মরৱারি ধর্ম্মসালা ফাওবা চৎলবা মতুং জৈন মন্দিরদা অমুক হল্লক্কনি।

হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ভগবান মহাবির জনম কলয়ানক মহোৎসব অসিগী য়েংলগা শ্রীদিগম্বর জৈন সমাজগী মখাদা লৈবা দুকানশিং থোঙ লোনগনি হায়না শ্রীদিগম্বর জৈন সমাজগী চেরোল অমনা হায়রি।

ভগবান মহাবিরগী মপোক নুমিৎ মহাবির জয়েন্তিনা লাকপদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা মীয়ামদা, মরুওইনা জৈন কাংলুপশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। পাউজেল অমদা মহাকা হায়- ভগবান মহাবিরগী পুন্সি অমসুং মহাকা

তন্বীরম্বশিং অদুনা মীওইবা জাতিগী লমজিং মৈরা ওইরি। অহিংশা, অচুম্বা, অপাম মীহৌ পোক্তবনচিংবা মহাক্কী পাউতাকশিং অসিনা রাজ্য অসিগী জাতি কাংলুপশিং অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা শান্তি ওইনা লৈমিন্ননবা হোৎনবদা লমজিংবা ওইরসনু।

উদ্যম(এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট ইন্দষ্ট্রি সেন্তর থৌবালনা ইন্দিরা মেমোরিয়েল ক্লব লৈশাংথেম অৱাং লৈকাইগা খুৎশমনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবা অমদি উদ্যম রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী থৌরম অমা ঙসি লৈশাংথেম বজার কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু মাইক্রো, স্মোল এন্দ মেদিয়ম এন্তরপ্রাইজেসস (এম.এস.এম.ই) মন্ত্রালয়না পায়খৎপা রেজিং এন্দ এসিলরেতিং এম.এস.এম.ই পার্ফোমেন্স (রেম্প) স্কিমগী মখাদা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা উদ্যম রেজিষ্ট্রেসন তৌবা অমসুং য়াইফ থৌরাং অসিগী কান্নবশিংগী মতাংদা ফোংদোকখি।

হোমগার্দ (এল)ঃ মণিপুর হোমগার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসনগী মখাদা শেমখিবা হোমগার্দ ৱেলফ্যার স্কিমগী মেম্বর ওইরম্বা লৈখিদ্রবা হোমগার্দ পার্সোনেল অমগী ইমুং মনুংদা শেলগী মতেং পীখ্রে।

বিষ্ণুপুরদা লৈবা মঙাসুবা হোমগার্দ বত্তাল্লিয়নদা মথৌ তৌরম্বা পার্সোনেল অসিনা লৈখিদবদা মেনেজিং কমিতিনা মিনিত অনি তুমিন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোংদোকখি। লোয়নননা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংদা স্কিমগী মখাদা পীবা শেনফম অদু খুৎশিন্নখিবনি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা তোকঙা থাজবীদনবা অমদি সরকারনা পীরিবা পাউশিংদা থাজবা থম্বীনবা মীয়ামদা আপীল তৌরি।

অকাশবানিগী থোংদা ঙসি শন্দোকখিবা মহাক্কী ১৩২ শুবা মন-কি-বাট থৌরমদা শ্রী মোদিনা নোংচুপ এসিয়াদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা নুংনাংবা ফোংদোক্লদুনা হায়- মালেম শিনবা থুংবদা পেত্রোল অমদি দিজলগী

মতাংদা ৱাথোক কয়ামরুম থোরক্লি। অসিগুম্বা লুরবা তানফম অসিদা ভারতকী তঙাইফদনা দরাকর লৈরিবা অসি ইনর্জিনি।

শ্রী মোদিনা কোবিদ নাইন্তি লাইচৎকী ফিভম অদুগুমা ফিভম অসিসু লৈবাক অসিনা মায় পাকা মায়োকবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা ফোংদোক্লি। ফিভম অসিদা রাজনীতি তৌদনবা অমসুং তোকঙা শন্দোক্তনবসু শ্রী মোদিনা হায়রি।

হন্দক পাঙথোকখিবা টি-ত্বেন্তি ৱার্ল্ড কপ্তা ভারতকী টিমনা ঐতিহাসিক ওইরবা মায় পাকপা অমসুং করনাতক্কী হুব্লিদা পাঙথোকখিবা রঞ্জি ট্রোফিদা জম্মু কাশ্মীর ক্রিকেট টিমনা মায় পাকখিবা অদুগীদমকসু প্রধান মন্ত্রিনা নুংঙাইবা ফোংদোকখি।

লৈবাক অসিগী মীয়ামদা তিঞ্চং কাইজংদনা মশা মউ ফনা লৈনবা হায়রদুনা প্রধান মন্ত্রিনা মীয়ামদা থাউ অমসুং চিনি চাবগী চাং হন্থহন্নবা হায়রি। থাইনদগী লৈরক্লবশিংবু ঙাক শেনবগা লোয়ননা তুংগীদমক শেম শানবা মহৈ মশিং তম্বগী খুথাংদা নাগা কাংলুপনা হোৎনরিবা থৌওং অদুবুসু শ্রী মোদিনা থাগৎপা ফোংদোক্লি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- উত্তর প্রদেশকী বরানাসিদা পুং ১ গী মনুংদা উ চারা লিশিং ৫১ থাদুনা অনৌবা গিনিজ ৱার্ল্ড রেকোর্দ চনবা ঙমখি। অসিগুম্বা মীয়াম হুপা শরুক য়াবা অসি এক পের মাকে নাম কেম্পেনদা উবা ফংলি। কেম্পেন অসিগী মখাদা লৈবাক শিনবা থুংবদা উ লাখ কয়ামরুম থাখ্রে। নাগালেন্দগী চিজামি খুলগী নুপীশিংনা মহৌশাগী ওইবা মরু মরাং মখল ১৫০ রোম খোমজিনদুনা য়োক্তুনা থল্লি। অসিগুম্বা মরু মরাংশিং অসি খুঙ্গংগী নুপী খক্তনা চলাইবা জাতি কাংলুপশিংগী ওইবা সিদ বেঙ্কতা নিংথিনা থল্লি।

অৱাং নোংপোক লমদমগী মফম কয়াদা পি.এম. শুরিয়া ঘর মুফট বিজিলি য়োজনাগী মতেংনা মৈগী খুদোংচাদবশিং কোকহল্লে হায়রদুনা অসিগুম্বা অওনবা থৌওং অসিনা ত্রিপুরাদা লৈবা রিয়াং ট্রাইবশিংনা খুন্দাবা খুলশিংদা মৈগী সমস্য কয়া মায়োকরম্বা অদু হৌজিক্তি সোলর মিনি গ্রিদকী মতেংনা যুমথোঙ খুদিং মৈ ঙালহল্লে।

অমিত সাহ ঃ গৃহ মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পি লুচিংবা অমিত সাহ্না হায়রি- বি.জে.পিনা অসামদা আইন কায়না নারোনদা মীতোপশিং চংশিল্লকপা থিংলি অমদি লাক্লিবা চহি মঙা অসিদা মখোয়বু মরমদমদা হলহনখিনবা থবক পায়খৎলগনি।

অসামগী সোনিতপুর জিলাগী ধেকিয়াজ্‌লিদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী অমিত সাহ্না হায়- হৌখিবা চহি তরা অসিনা অসামদা লালহৌবগী সমস্য শিংথানিঙাই ওইনা হন্থরক্কুনা লমদম অসিদা শান্তি অমদি অনৌবা খুদোংচাবশিং কয়ামরুম বি.জে.পি সরকারনা পুরকপা ঙমলে। কংগ্রেসপু মরাল শিরদুনা মহাকা হায়- মখোয়না সরকার পায়রিঙৈ মতমদা আইন অমসুং শান্তি রক্সা নিংথিনা ঙাক শেনবা ঙল্লমদে। মসিনা মরম ওইদুনা নহা কয়াগী পুন্সি মাংখি। গৃহ মন্ত্রিনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লুচিং মখাদা শান্তিগী ৱারোল কয়ামরুম সহি তৌনদুনা লমদম অসিদা তংদু লৈতাবা হঞ্জিনহল্লে। বি.জে.পিনা সাসন তৌবা সরকারগী মতমদা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাং অমদি মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংগী ওইবা থবকশিং পায়কৎলি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ---

থাং-তা (এল)ঃ নুমিৎ নিনি চত্থরকপা নুপী অমসুং নুপাগী ওপন রিএল ত্রেদিসনেল ৱারিয়র ষ্টাইল থাং-তা চাংদমবা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী তেরা লৌক্রাকপম লৈকাইদা লোইশিনখ্রে । নৈনশঙ অমসুং সাই এস.টি.সি খুমন লম্পাক ইম্ফালনা শিন্দুনা পাঙথোকপা চাংদমবা অসিগী লোইশিনবগী থৌরমদা এম.এল.এ- শাপম কুঞ্জকিশ্বর শরুক য়াখি।

চাংদমবা অসিদা পুন্না শান্নরোই ৫২ অথোই অহেন তান্নখি। মসিগী মনুংদা নুপী শান্নরোই ১৭ না তোঙান তোঙানবা ষ্টাইল মঙাদা মশান্নশিং উৎখি। চাংদমবা অসিদা নুপাগী কাংলুপ্তা ইরোম রোনালদোনা অহানবা অমসুং কে.ঐচ. লক্কিচান্দনা অনিসুবা তাখি। নুপীগী কাংলুপ্তনা সালোমি মুতুমনা অহানবা অমসুং মুতুম নাওতোম্বীনা অনিসুবা তাখি।

মরাথোন (এল)ঃ তিঞ্জং কাইজংদবা, মশা মউ ফবা সমাজ অমা শেমবা পান্দমদা য়ুনাইতেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু.পি.এফ) মণিপুরনা লিংশাং শিৎনা চত্থরকপা মেগা মরাথোন কুমশি চহিগী ওইনা মথং থাগী ১২ পাঙথোক্লগনি। মরাথোন অসিগী মিদিয়া কমিতিগী মেম্বরশিং ঙসি ফমখিবা মীফম অমনা খনখ্রে। কোভিদ নাইন্তিন অমসুং কাংলুপকী ইরাংনা মরম ওইদুনা মতম শাংনা লেপ্লুরবা মতুং মেগা মরাথোন অসি পাঙথোক্কদবনি।

ফুটবোল ঃ মনিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনদুনা চত্থরিবা ২৪ শুবা চেল্লেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা- কৈশামথোং এফ.সিনা এফ.এল.ভি.কে.টি ৱাকৈথেলবু পাঞ্জল ১০-০ দা অমসুং অনিশুবা মেটচতা- ই.এম.এফ.সি লম্লাইনা লংথবাল এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

কাং ঃ মনিপুর কাং এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা শ্রীশ্রী গোপালদেব অমসুং য়াইস্কুল কাংখুৎনা শিনবা অহুমশুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা অমসুং কুমারী অমিতা দেবী মেমোরিএল লিগ কম নোক আউট কেন্দ্রৱাইস কাং টুর্নামেন্ট ২০২৬ ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- কৈশামথোং কাংখুৎ অমসুং খুন্দ্রাকপম কাংখুৎ পাঞ্জল ১৫-১৫ কাপদুনা দ্রো চৎখ্রে।

ক্রিকেট ঃ মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিন্দুনা লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অহুমসুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিয়েল টি-ত্বেন্তি মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট তুরনামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.য়ু.সি.সি ৱাকৈথেলনা য়ু.সি.সি উরিপোকপু রন ২৪ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট ঃ মনিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিন্দুনা চত্থরিবা অহুমলক শুবা এম.এন.সি.এ অন্দর ফিফতিন গার্লস ৱান ডে ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি থাউ গ্রাউন্দ থাংমৈবন্দদা শান্নখিবা মেটচতা- পি.টি.আর.সি পাৎশোইনা

এম.পি.এ থৌনাউজমবু ৱিকেট ৭ তা থোইখি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কোংবা ধোবী লম্পাক সেদোক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদনা সেদো থাংমৈবন্দনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি ললাম্বুংবু রন ২৭২ দা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ ১০ শুবা এম.এন.সি.এ দব্লউ. প্রহ্লাদ অমসুং দব্লিউ রামানন্দ ইলিট ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি লুৱাংশংবম ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা রেজ খ্বাই নাগামপাল লমাবম লৈকাইনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দবু রন ২৮ দা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ দি.এল.সি. হৈরোকনা মেক্স ত্রোফিগী মপু ওইখ্রে। হৈরোক য়ুনাইতেদ ক্রিকেট ক্লবনা শিন্দুনা হৈরোক পার্ট টু পোলো গ্রাউন্দদা চথুরকখিবা তুরনামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা দি.এল.সি হৈরোকনা ষ্ট্রিং গেং মোইজিংবু রন ১৯ দা থোইখি। তুরনামেন্ট অসিগী মেন ওফ দ মেটচনা দি.এল.সি হৈরোক অজিস মিরজানা তাখি অদুগা প্লেয়ার ওফ দ তুরনামেন্টনা দি.এল.সি হৈরোক্কী সয়েদ হুসেন্না তাখি।

ফুটবোল ঃ স্বামি বিবেকানন্দ অন্দর ত্বেন্তি মেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৬ তা মণিপুরগী টিমদা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংগী মীং লাউথোকখ্রে। ষ্টেট টিমদা য়াওনবগীদমক খল্লবা শান্নরোইশিংনা হয়েং অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা লমলোং থোংখোঙগী আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দা মশাগী তঙাইফদবা চে চাংশিংগা লোয়ননা রিপোর্ট তৌনবা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী বিষ্ণুপুরগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ফুটবোল ঃ সমরাম প্লে গ্রাউন্দদা চথুরিবা মরিসুবা সমরাম ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা মালেম এফ.সি অমসুং খোংজোম এফ.সি মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নগদবা অহানবা মেটচতা জোদি এফ.সি লাক্তুবদগী মালেম এফ.সি ৱাঙ্ক ওভর ফংখি। অনিসুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা খোংজোম এফ.সিনা ৱাইখোং এফ.সি পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখি।

ফুটবোল ঃ ইম্ফাল ৱেষ্টকী শমুরৌ মখা লৈকাইদা চত্থরিবা অনিসুবা মাইচৌ শমুরৌ চিগোং ত্রোফি ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ওল ষ্টার ক্যামগৈনা এম.পি.সি.এমবু পাঞ্জল ৫-২ দা থোইখ্রে।

------